### ৩৮ শুবা ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট

# লিন্থোইঙানবী কাংজৈ লূপ, কে এম এম রাইদিং স্কুল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৬(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ৩৮ শুবা মেন্স ষ্টেট লেভেল পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনীদা লিন্থোইঙানবী কাংজৈ লূপ-বি অমদি কে এম এম রাইদিং স্কুল-এ শীংজমৈ মায় পাকখ্রে।

মপাল কাংজৈবুংদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা লিন্থোইঙানবী কাংজৈ লূপ-বিনা ক্রিপসা পোলো ক্লবনাওরেমথোংবু ৬-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা চক্করগী শান্নবা হৌরকপগী শগোল হনগৎ-হন্দা থৌনদুনা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ১/২ ফংলবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্মদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা চক্করগী শান্নবদসু টিম অনীগী মায়কৈদা লম্বা মান্ননা শান্নদুনা গোল ২-২ চনবা ঙম্মখি।

ক্রিপসাগী কেপ্টেন টি ঐচ মোচানা অনীশুবা চক্কর হৌরকপগী ১.১০দা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। এম বিলমনা চক্কর লোইরমদাই ক্রিপসাগী অনীশুবা গোল চনখি। লিন্থোইঙানবী লূপকী গোল ২ অদুনা পাইখোম্বা অমদি প্রকাশনা শান্নবগী ৩.৩০ অমদি ৫.৩০দা চনখি।

অহুমশুবা চক্করদা ভিক্টরনা শান্নবগী ২.২০দা লিন্থোইঙানবী লূপকী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। কেপ্টেন রঞ্জননা শান্নবগী ৪.০২দা লিন্থোইঙানবী লূপকী গোল ১ হাপচিন্দুনা ক্রিপসাবু ৪-৩দা চক্কর লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি। কেপ্টেন টি ঐচ মোচানা শান্নবগী ৫.২দা ক্রিপসাগী ৩শুবা গোল চনখি।

লিন্থোইঙানবী লূপকী খূদুম চনবা মখা চথরকপা ওইনা ৪শুবা চক্কর হৌরকপগী ১.৪৯দা পাইখোম্বনা গোল ১ হাপচিনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৪.০৯দা মহাক্কী হেটট্রিক অমদি মায় পাকপগী ৬শুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা টি ঐচ কাওবা অমদি এল কোকেশ্বরনা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা কে এম এম রাইদিং স্কুল-এ শীংজমৈনা লম্ফেল পোলো ক্লব-বিবু লাকচনা ৮-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ও সৈত্যজিৎনা অহানবা চক্করগী ১.৪৪দা কে এম এম রাইদিং স্কুলগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। এল তরুননা অনীশুবা চক্করগী শান্নবগী ২.৫৭তা অনীশুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা অরোইবা চক্করগী শান্নবগী ৬.১২দা মায় পাকপগী ৮শুবা গোল চনবা ঙমখি।

দব্লিয়ু জোনিনা অনীশুবা চক্করগী শান্নবগী ৫.০১ অমদি ৭.০৬তা গোল ২ চনবা ঙমখি। কেপ্টেন সী ঐচ অজিৎনা অনীশুবা চক্করগী ৬.৩২ অমদি অহুমশুবা চক্করগী ৪.১৬তা মায় পাকপগী ৪শুবা অমদি ৬শুবা গোল চনবা ঙমখি।

লম্ফেল পোলো ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা কে মহেশনা অহানবা চক্কর লোইরমদাই শান্নবগী ৭.১২দা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবা মেটচ নুংথিল পুং ১দা পেরদাইজ পোলো ক্লব-এ অমদি ইবুধৌ মার্জিং পোলো ক্লব-এ থেংনরগনি। অনীশুবা মেটচ নুংথিল পুং ২দা মেজর কারন পোলো ক্লব অমদি থাংমৈবন্দ পোলো ক্লব অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

### এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# এ কে এস দি ও অমদি আই বি এস এ মায় পাকখ্রে







ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৬(ঐচএনএস): এ কেএস দি ও খাঙবোক অমদি আই বি এস এ য়ুম্নাম লৈকাই অনীনা ঙসি মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা শান্নখিবা মেটচতা মায় পাকখ্রে।

মায় পাকখিবা আই বি এস এ য়ুম্নাম লৈকাইনা মেটচ ৪ শান্নখিবদা ৪মক মায় পাক্কুনা পোইন্ট ৮ ফংলগা গ্রুপ বিগী টেবলগী ২শুবদা লৈরি। এন সী এ নিংথৌখোংনা মেটচ ৪দা চপ মান্নবা পোইন্ট ৮ ফংদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈরি। এ কে এস দি ও খাঙবোকনা মেটচ ৫দা পোইন্ট ৬ ফংদুনা গ্রুপ এগী ৪শুবদা লৈরি।

লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেডিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা আই বি এস এ য়ুম্নাম লৈকাইনা এম পি এ ককচীংবু ৱিকেট ৯দা মায়থীবা পীখ্রে।

এম পি এনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ২৪.২দা ওল আউট ওইদুনা শুপ্পগী রন ৭১ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অদুদা য়ুম্নাম লৈকাইগী বোলর রাজাবাবুনা ওভর ৫ লংবদা ৱিকেট ৪, প্রভেশনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ২, কারন প্রজাপতিনা ওভর ৫.২ লংবদা ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা আই বি এস এনা ওভর ৭.৫দা ৱিকেট ১ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা ককচীং টিমবু ৱিকেট ৯দা মায়থীবা পীখিবনি।

ইন্নিংস অদুদা য়ুম্নাম লৈকাইগী ওপনর মোইরাংথেম সুনন্দনা আউট ওইদনা বোল ২১দা রন ৩০ অদুগা রাজাবাবুনা আউট ওইদনা বোল ১৯দা রন ৩০ লৌবা ঙমখি।

লোইশিল্লকপদা আই বি এস এগী ওল রাউন্দর রাজাবাবুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা এ কে এস দি ও খাঙবোকনা থাও থাংমৈবন্দবু রন ৫৮দা মায়থীবা পীখ্রে।

খাঙবোক টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ৩৯.৪দা ওল আউট ওইদুনা রন ২১৪ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা থাংমৈবন্দ টিমগী অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা ওভর ৩৬.৩দা ওল আউট ওইদুনা অপীবা টার্গেট য়ৌবা ঙমদনা রন ৫৮দা মায়থীখি।

মেটচ অসিদা খাঙবোক্কী ৱিনচেল্লি লাইশ্রমনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ৭১দা রন ৭২ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

### ৭শুবা পুপু কপ ২০২৩

# তেলৌ অমদি পুংদোংবম সেমীফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৬(ঐচএনএস): পেরদাইজ য়ুনিয়ন পুংদোংবমনা শীন্দুনা পুংদোংবম গ্রাউন্দদা চথরিবা ৭শুবা পুপু কপকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্কুনা ঈ য়ু এস সী তেলৌ অমদি ৱাই দি সী এল-এ পুংদোংবম সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

পুংদোংবম গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ঈ য়ু এস সী তেলৌনা আর্মি এফ সী সৈজাংবু লাকচনা ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। রেবন্তনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা তেলৌ টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। এম রাকেশনা শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনটতা অনীশুবা অদুগা এন জি রাকেশনা শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৫০ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱাই দি সী এল-এ পুংদোংবমনা ৱাই এস সী লৌশাংখোংবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

খেম থাপানা শান্নবা হৌরকপগী ১২ শুবা মিনটতা পুংদোংবমগী অহানবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। কে ঐচ সনামচানা শান্নবগী ১৫ শুবা মিনটতা পুংদোংবমগী অনীশুবা গোল চনখি অদুগা হেনরিনা শান্নবগী ৪৮ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনখি।

ৱাই এস সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা কম্মান্দরনা শান্নবগী ৫০ শুবা মিনটতা চনখিবনি। মেটচ অসিদা রেফরিনা পুংদোংবমগী পারিথোই শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লেমহৌরিবা ক্বার্টরফাইনেল মেটচ অনী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নরগনি।

# ষ্টেট মাউন্টেন বাইক সাইক্লিং টিম লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৬(ঐচএনএস): কেরলাগী ৱায়ানদ দিষ্ট্রিক্টতা ফেব্রুৱারী ১৬তগী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৯শুবা সিনিয়র, জুনিয়র অমদি সব-জুনিয়র নেসনল মাউন্টেন বাইক সাইক্লিং চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবা নুপা অমদি নুপী সাইক্লিষ্ট ১৫ মণিপুর সাইক্লিং এসোসিএসনগী সেলেক্সন কম্মিটিনা খনখ্রে।

খনগৎলবা নুপা সাইক্লিষ্টশিং অদুদি এক্স সী ও-ক্রোস কন্ট্রি ওলিম্পিক্স ইভেন্টকী এলিট মেন কাঙলূপ্তা নোংথোম্বম ভিমচন্দ্র, হাজারিময়ুম থোমাস, খুন্দ্রাকপম রোনেল অমদি চিঙ্খৈঙানবা কোন্থৌজমনি। অদুগা জুনিয়র মেন কাঙলূপ্তা থোটমাচান অরুংশি অমদি পাইখোম্বা নোংমৈকাপ্পমনি।

দাউন হিল ইভেন্টতা থোকচোম টেনিসন, মোইরাংথেম গোল্লর, খুমন্থেম জেনেক মীতৈ, লুংমিমুং শিমরাং, ক্ষেত্রিময়ুম জেক, য়ুরসেম এ সী অমদি নোংথোম্বম মোমোসনানি।

নুপী সাইক্লিষ্টশিং অদুনা এলিট ৱিমেন এক্স সী ও-ক্রোস কন্ট্রি ওলিম্পিক্স ইভেন্টতা পাঙন্থম প্রিয়া অমদি হামোম উর্বাশিনি।

শান্নরোয়শিং অসি ঙসি মণিপুর সাইক্লিং এসোসিএসনগী মীটিং অমা মপাল কাংজৈবুংদা লৈবা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসন (অমসা)গী শঙলেন্দা পাঙথোক্লবা মতুং সেলেক্সন কম্মিটিনা সাইক্লিষ্ট ১৫ অসি খনখিবনি।

খনগৎলবা সাইক্লিষ্টশিংনা মাউন্টেন বাইক সাইক্লিংগী কোচ তেম্সুবম জয়েন্তকুমার, মণিপুর সাইক্লিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি কে সনাজাওবা, নেসনল গোল্ড মেদলিষ্ট হেমাম লেনিন্দ্রোগী সুপরভিজন মখাদা থা অসিগী ১৯দগী হৌদুনা মখা তাবা প্রেক্টিস অমদি কোচিং পাঙথোক্লগনি। সাইক্লিষ্টশিংনা মতম চানা কন্সর্ন কোচতা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি। নুমিৎ হুম্নি থংননা লাক্তবা সাইক্লিষ্ট লিষ্টতগী কক্কনি হায়রি।

### ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল

# তাম এফ সীনা পোইরৌখোংজিন মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৬(ঐচএনএস): হাওরৈবী নোরদর্ন ষ্টার ক্লব (ঐচ এন এস সী) অমদি হাওরৈবী অপূনবা এফ সী অনীনা খূৎশম্ননা শীন্দুনা হাওরৈবী কাংজৈবুংদা চথরিবা ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ঈগী মেটচ অমদা তাম এফ সী সেক্তানা পোইরৌখোংজিন এফ সীবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা হাফকী শান্নবদা সেক্তাগী থোইনা শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। সেক্তাগী রোবিনসনগী মহুৎ চঙলকখিবা কৈতরসননা শান্নবগী ৪৪ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখি।

পোইরৌখোংজিনগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা শান্নবগী ৪২ শুবা মিনটতা পোলেনগী মহুৎ চঙলকখিবা প্রিয়োবর্তানা শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, গ্রুপ এফকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱর্ল্ড প্রো এফ সীনা এথলেটিক্স দি পুইচিবু লাকচনা ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

এথলেটিক্স দি পুইচিগী জুজৈবানা শান্নবা হৌরকপগী ৬শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনখিবগা লোয়ননা ৱর্ল্ড প্রো এফ সীবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ এল বিনোইনা শান্নবগী ৩৬ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৫৪ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। লানসিঙমনা শান্নবগী ৪৪ শুবা মিনটতা ৱর্ল্ড প্রোগী অনীশুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৫৯ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। এস অমিটকুমারনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা মায় পাকপগী ৫শুবা গোল চনখি।

মেটচ অসিদা মায় পাকখিবা ৱর্ল্ড প্রোগী এন জি কাফু অমদি এ কিরঞ্জিৎ য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

# বেল্ট রেষ্টলিং টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৬(ঐচএনএস): মহারাষ্ট্রগী সির্দিদা থা অসিগী ১৯দগী ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১০শুবা এ আই টি দব্লিয়ু পি এফ নেসনল ট্রেদিসনেল রেষ্টলিং এন্দ পেনক্রেসন চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় ২৮ অমদি ওফিসল ৪ পূন্না মীওই ৩২না শাবা ষ্টেট বেল্ট রেষ্টলিং টিম ঙসি ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. নোরেন্দ্রো থোকচোমনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতগী লমথাদুনা ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেট টিম অসিগী ওফিসল ওইনা টি রিশিকান্ত (মেনেজর), এল গোকুলচন্দ্র (নুপাগী কোচ), এল চিতমবালা (নুপীগী কোচ) অমদি এন জি হানা নাখুরৌ (ওফিসল)না শরুক য়াখি।

লমথাবগী থৌরমদা ডা. নোরেন্দ্রো থোকচোমনা ফোঙদোকখিবদা, বেল্ট রেষ্টলিং হায়রিবা মশান্না অসি ঐখোয়গী ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা মশান্না মুক্নাগা য়াম্না মান্নবা মরম্না য়াম্না চান্নে। হন্দক্কী চেম্পিয়নশিপ অসিদা শোয়দনা মেদল পুরক্কনি থাজে হায়বগা লোয়ননা শান্নরোয়শিংদা য়াইফ থৌজাল পীখি।

### দি এস এ ট্রোফি ষ্টেট ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# সাও অমদি এস দব্লিয়ু সী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি



ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৬(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা চথরিবা ১৭শুবা দি এস এ ট্রোফি ষ্টেট ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৩গী ঙসি ককচীংগী দি এস এ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা সেনা এথলেটস ওর্গনাইজেসন (সাও) ককচীং ৱাইরিনা য়ুনাইটেদ ব্রদর্স স্পোর্টস এসোসিএসন (য়ু বি এস এ) মান্তকপু ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মায় পাকখিবা সাও ককচীংনা সোসল ৱেলফেয়র ক্লব (এস দব্লিয়ু সী) কৈরক্কা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

সাও অমদি য়ু বি এস এ অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি।

এস অশোককুমারনা শান্নবগী ৫৬ শুবা মিনটতা ককচীং টিমগী অহানবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৭২ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। এল দিঙ্কুনা শান্নবগী ৮৬ শুবা মিনটতা সাওগী অহুমশুবা গোল চনখি। অদুগা এম কেনেদিনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ৫শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা রেফরিনা মহাকপু য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

রেফরি টি ঐচ অরুনকুমারনা মান্তক টিমগী জোন কেনেদিসু শান্নবগী ৭০ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা এস দব্লিয়ু সী কৈরকনা এস দি ও পল্লেলবু ৪-৩দা মায়থীবা পীদুনা হান্ননা ফাইনেলগী লম্বা ঙাইদুনা লৈখ্রবনি।

### প্রধান ট্রোফি : প্রি ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ লোইখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৬(ঐচএনএস): হয়েল য়ং পোপ্যুলর ক্লবনা শীন্দুনা হয়েল গ্রাউন্দদা চথরিবা প্রধান ট্রোফিগী গ্রুপকী লীগ মেটচ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা টিম ১৮না প্রি ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ২০না গ্রুপ ৬ থোক্কুনা শরুক য়ারি। গ্রুপকী ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপ অদুগা অতোপ্পা ফর্ষ্ট বেষ্ট টিম ৪ খন্দুনা প্রি ক্বার্টর চঙলকখিবনি।

ঙসি অয়ূক শান্নখিবা গ্রুপ এফকী মেটচ অমদা এম ৱাই দি এ সঙ্গাইয়ুম্ফমনা য়ুনাইটেদ ক্লব লৈফ্রাকপমবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

সঙ্গাইয়ুম্ফম টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু দয়ানন্দনা শান্নবগী ৩৮ অমদি ৪৯ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা লৈফ্রাকপমগী শান্নরোয় ১না মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা মায় পাকপগী ৩শুবা গোল ওইখি।

অমরোমদা, নুংথিল শান্নখিবা গ্রুপ ঈগী অরোইবা মেটচতা লনচেনবী এফ সী তৌবুংখোকনা কে ৱাই ভি ও খুনফমবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

তৌবুংখোক টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু রোহিটনা শান্নবগী ৪০ শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা, নুংথিল শান্নখিবা গ্রুপ এফকী অরোইবা মেটচতা দ্রেস হাউস এফ সী পাৎসোই অমদি কেনেদি এফ সী বিষ্ণুপুর ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

দ্রেস হাউসকী গোল অদুনা শিতননা শান্নবা হৌরকপগী ৪শুবা মিনটতা চনখি। কেনেদি এফ সীগী ইক্বেলাইজ গোল অদুনা আর্বিন্দনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা চনখিবনি।



HL-P/5597/12-18

### ১৫শুবা সির্তি ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# জাফৌনা প্রি ভেটরান, মোন্সাং পান্থানা নুপীগী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৬(ঐচএনএস): সির্তি ওলিম্পিক্স এসোসিএসন (এস ও এ)না শীন্দুনা লিৱা সরৈ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৫শুবা সির্তি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্রি ভেটরান অমদি ৱিমেন্স কেটগোরিগী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্কুনা জাফৌ অমদি মোন্সাং পান্থা য়ূঠ কলচরেল ক্লব ফাইনেল চঙখ্রে।

প্রি ভেটরানগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা জাফৌনা লিৱা সরৈবু ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

জাফৌগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এস ঐচ মোসেনগমনা শান্নবগী ১৪ অমদি ৩০দা গোল ২ অদুগা এন জি কেনেদিনা শান্নবগী ৪৭তা গোল ১ অমদি রিংথানগমনা শান্নবগী ১৯ শুবদা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা ওইখি।

অমরোমদা, ৱিমেন্স কেটগোরিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা এস ঐচ এলিশানা চনখিবা গোল ২গী মতেংনা মোন্সাং পান্থা য়ূঠ কলচরেল ক্লবনা জাফৌবু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

এলিশাগী অহানবা গোল অদুনা শান্নবগী ১৬তা চনখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ১৭ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা ওপন কেটগোরিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পেন্থা খুফুনা চাংনেবু টাই ব্রেকতা ৪-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল অমমম্ চন্নদুনা দ্রো ওইখি। পেন্থাগী গোল অদুনা দব্লিয়ু হেনরিনা শান্নবগী ৬.৩০ চনখি। অদুগা চাংনেগী গোল অদুনা টি ঐচ মিলননা শান্নবগী ৬৪দা চনখিবনি।

মখা তাবা টাই ব্রেকতা চাংনেগী মায়কৈদগী হেপিসন মথন্তা গোল ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা পেন্থা খুফুগী মায়কৈদগী সেভাট, দিম্বর অমদি দিসেমসননা গোল ওন্থোক্তুনা ৪-২দা মায় পাকখিবনি।

### ৪২শুবা সী এস দি এস এ স্পোর্টস মীট

# তাম্পী, রুংচাং য়ংষ্টর, রালরিংখু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৬(ঐচএনএস): চকপীকারোং পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ৪২ শুবা সী এস দি এস এ স্পোর্টস মীটকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা তাম্পী এফ সীনা থোরচাম এফ সীবু লাকচনা ৫-০দা মায়থীব পীখ্রে।

তাম্পী এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু লিংৱারনা অহুম অদুগা বেবিলো অমদি এমরিংনা অমমম্ চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা রুংচাং য়ংষ্টরনা দাংখুবু টাই ব্রেকতা ৬-৫দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল ২-২দা দ্রো ওইখি। মখা তাবা টাই ব্রেকতা তাংখুগী মায়কৈদগী ৩ অমদি রুংচাংগী মায়কৈদগী ৪ চন্দুনা মায় পাকখিবনি।

অতোপ্পা, ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেটচতা পি রালরিংখুনা মোদি সী এস সীবু ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাকপগী গোলশিং অদু বুংরিং অমদি লার্নিনা ২/২ অদুগা রোবিঙমনা ১ চনখি।

# কিক বোক্সিংগী কোচিং কেম্প পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৬(ঐচএনএস): ন্যু দেল্লীগী টলকাটোরা ইন্দোর ষ্টেডিয়মদা ফেব্রুৱারী ১৩দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২শুবা অমর সহিদ জেনরেল বিপিন ৱাৱট মেমোরিএল নেসনল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিংগী ওইবা কিক বোক্সিংগী কোচিং কেম্প অমা থা অসিগী ২০দগী হৌদুনা অয়ূক পুং ৬তগী ৮ ফাওবা অমদি নুংথিল পুং ৪.৩০দগী ৬.৩০ ফাওবা বেটচ অনী থোক্না ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইরিপোক কৈশাম কেনেল মপান্দা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর মিক্স মার্সিএল আর্টস এসোসিএসননা খঙহল্লক্লি।


কোচিং কেম্প অসি মণিপুর মিক্স মার্সিএল আর্টস এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা লাইনিংথৌ সনামহি মিক্স মার্সিএল আর্টস একাদেমি য়াইরিপোক্না শীন্দুনা পাঙথোকপনি।

শরুক য়ানিংবশিংনা থা অসিগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা চীফ ইন্সট্রক্টর খাঙেম্বম চিঙ্খৈঙানবা মৈতৈদা রিপোর্ট তৌরক্নবা খঙহল্লক্লি।

# মিষ্টর ইম্ফাল ইষ্ট জন্যুৱারী ২২দা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১৬(ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস ফেদরেসননা শীন্দুনা ২২শুবা ষ্টেট লেভেল মিষ্টর ইম্ফাল ইষ্ট বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ থা অসিগী ২২দা খুরাই লল্লোংদা লৈবা সঙ্গীট কালা সঙ্গম হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসনগী সেক্রেটরি উষারঞ্জননা খঙহল্লক্লি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 689

**FM Bennet Hagner (2336) - Thomas Boehmer (1969)**
**Heusenstamm Schloss Open Heusenstamm GER, 2022.11.17**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c6 | 2.d4 d5 | 3.e5 Bf5 | 4.Nf3 e6 |
| 5.Be2 Nd7 | 6.O-O Ne7 | 7.Nh4 h6 | 8.Nxf5 Nxf5 |
| 9.c3 Qb6 | 10.Bd3 g6 | 11.a4 a5 | 12.Nd2 c5 |
| 13.dxc5 Bxc5 | 14.Nf3 Qc7 | 15.Re1 Ne7 | 16.h4 Nc6 |
| 17.Bf4 O-O-O | 18.Qd2 Rdg8 | 19.Bb5 Be7 | 20.Bxc6 bxc6 |
| 21.Bxh6 Nc5 | 22.Ra2 Ne4 | 23.Qc1 Bxh4 | 24.Rxe4 Bxf2+ |
| 25.Kxf2 dxe4 | 26.Nd4 Qxe5 | 27.Bf4 Qf6 | 28.Kg1 Rh5 |
| 29.Qf1 e5 | 30.Qa6+ Kc7 | 31.Nb5+ Kd7 | 32.Be3... |

**QUESTION :**
**Black to checkmate**

**Puzzle 688 Ans. :**

33. Bxg7 The white bishop captures Black's pawn, which was defending the square f6.
Nxc1 34. Bf6+ With a discovered check by the white rook.
Kh7 35. Rh5+ Bh6 36. Rg7+ The white rook attacks Black's king, which is defending Black's bishop.
Your moves:36.Bg7
Kh8 37. Rxh6# Lawnmower mate
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com